

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস





ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নগদবা মেটচতা কোভিদ-১৯না চৈথেং পীরবা শান্নরোয় কয়া শোত্থরবা এষ্টন ভিল্লাবু মায়থীবা পীবা ঙম্নবা মহাক্কী শান্নরোয়শিংবু কন্না শেম শারিবা টোটোনহাম হোটস্পরগী কোচ জোস মোরিনো

মালেমগী মমিং লৈরবা বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস এগী নেসনল বাস্কেটবোল এসোসিএসন (এন বি এ)গী নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নখিবা মেটচতা চিকাগো বুলসপু থোইবদা পোইন্ট ৩৫ লৌবা ঙমখিবা লোস এঞ্জেলিজ ক্লিপর্সকী কোনি লিওনার্দ

## মণিপুরদগী শান্নরোয় ৬ য়াওবা ইন্দিয়াগী য়ু-১৬ ফুটবোল টিমনা য়ু এ ঈদা এক্সপোজর টুর চৎকদৌরি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৬ য়াওনা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা মেটচ ৪গী ওইবা এক্সপোজর টুর অমা শান্ননবা শেম শাখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা বাহরেননা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা এসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াগদৌরিবা অদুগী শেম শাবা ওইনা য়ু এ ঈ (য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস)দা এক্সপোজর টুর অসি চৎকদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা এ এফ সী চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক্তা শরুক য়াখিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা শান্নখিবা মেটচ অহুমদা পাঞ্জল ১১ চল্লগা শুপ্নগী পাঞ্জল অমখক মায়োক্নবা টিমনা চনখিবগা লোয়ননা টিম অদুনা শরুক য়াখিবা গ্রুপতা মকোক ওইদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

গোৱাদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন এলিট একাদেমিদা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদগী ট্রেনিং তৌদুনা লাকখিবা চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা য়ু এ ঈদা মেটচ ৪গী এক্সপোজর টুর অদু শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখিবদা, এ এফ সী য়ু-১৬ চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং উজবেকিষ্টানগুম্বা অরিংবা টিমশিংগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। মরম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মাংওইননা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নবগী তঙাইফদবা অদু লাকপদগী এসিয়াগী ওইনা অরিংবা টিম অমা ওইরিবা য়ু এ ঈগী টিম অদুগা শান্নগদৌরিবা অসি ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী ওইনা য়াম্না কান্নবা ফংগদৌরি হায়খি।

টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মণিপুরদগী দিফেন্দরদা সোরোখাইবম প্রিতম মীতৈ অমসুং তেকচম অভিসেখ, মিদফিল্ডদা তোংব্রম মহেসন, লোইতোংবম টাইসন অমসুং লৈমপোকপম শিবজিৎনি। অদুগা ফোরৱার্দতা নোংমৈকাপ্পম স্রিদার্থনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা জন্যুৱারী ১৫দা য়ু এ ঈগী অল হমরিয়া এফ সীগা শান্নগনি। মদুগী মতুং জন্যুৱারী ১৮দা সর্জা এফ সীগা শান্নরবা মতুং জন্যুৱারী ২১দা য়ু এ ঈগী য়ু-১৬ টিমগা অহানবা মেটচ শান্নরগা জন্যুৱারী ২৪দা অনীশুবা মেটচ অদুসু টিম অদুমক্কা শান্নগদৌরি।

## অবু ধাবী ৱিমেন্স ওপন টেন্নিসকী সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনগদবা শান্নরোয়শিংগী মশক মমিং খঙখ্রে



অবু ধাবী ৱিমেন্স টেন্নিসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভা

অবু ধাবী, জন্যুৱারী ১১(এজেন্সী): ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ)গী মখাদা অহানবা ওইনা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনুং অবু ধাবীদা পাঙথোকপা অবু ধাবী ওপন ৱিমেন্স টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনগদবা শান্নরোয়শিংগী মশক মমিং খঙবা লোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবী য়ু এস এগী সোফিয়া কেনিনবু অকনবা লম্বা অমদা সেট ৩ চঙনা মায়থীবা পীরম্বী গ্রিসকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ মারিয়া সাকারি য়াওরি। মহাক্না কেনিনবু ২-৬, ৬-২, ৬-০দা থোইখিবনি।

সাকারিনা মহাক্কী সেমীফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু কাজাখষ্টানগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ এলিনা রাইবাকিনাবু য়াম্না নক্নবা লম্বা অমদা ৬-৪, ৪-৬, ৬-৩দা থোইরম্বী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় বেলারুসকী এরিনা সভালেঙ্কানি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাসু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌখি। মহাকপু রসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা লাকখিবা ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা সেট ২-১দা থোইরমখি। স্বিটোলিনানা অহানবা সেট অদু ৭-৫দা থোইখি। অদুবু ভেরোনিকাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙম্লকপদগী অনীশুবা সেটতা স্বিটোলিনাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নরকপদগী দিসাইদিং সেটকীদমক্তা মখা তাবা লম্বা চত্থরকপদা ৭-৬ (৭-৩)দা থোইরম্বনি। ভেরোনিকাগী সেমীফাইনেল লম্বা অদু স্পেনগী সোরিভস টোর্মোবু ০-৬, ৬-১, ৬-৪দা থোইরম্বী মার্টা কোষ্ট্যুকনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলুপ্তা জপানগী প্যের ওয়ামা অমসুং শিভারা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না য়ু এসকী সোফিয়া কেনিন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী টোমলিয়ানোবিচকা থেংনগনি।

## অসাম, দেল্লি, সৌরাষ্ট্র অমসুং হরিয়ানা মায় পাকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সিটিদা চত্থরক্লিবা সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী এলিট গ্রুপশিংগী ওইবা মেটচশিংদা অসাম, দেল্লি, সৌরাষ্ট্র অমসুং হরিয়ানানা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা কোলকাটাগী ইদেন গার্দেনদা শান্নখিবা মেটচ অমদা অসাম অমসুং হায়দরবাদ লম্বা তৌনবদা হায়দরবাদনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা অসামনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৫৯ লৌবা ঙমখি। অসামগী মায়কৈদগী রিয়ান পরাকনা রন ৫১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

হায়দরবাদনা মায় পাক্লনবা রন ১৬০ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৫৭ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু অসামনা রন ২দা থোইখিবনি।

ঙসি মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এলিট গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা মুম্বাইনা টোস ঙমদুনা দেল্লিগী মায়োক্তা বোলিং তৌখি। দেল্লিগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ২০দা ৱিকেট মরিখক তুরগা রন ২০৬ লৌবা ঙমখি। দেল্লিগী মায়কৈদগী নিটিশ রানানা বোল ৩৭তা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৭৪ লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। লোয়ননা টিম অদুমক্কী হিমট সিংহনা বোল ৩২দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫৩ লৌখিবা অদুসু পনবা য়াই।

মুম্বাইনা মেটচ অদু মায় পাক্ল বগীদমক্তা রন ২০৭ লৌবগী টার্গেট অদু ওভর ২০ লোইবা ফাওবা শান্নবা ঙমদনা ১৯শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১৩০ খক লৌখিবদগী দেল্লিনা মেটচ অদু রন ৭৬তা থোইখিবনি।

মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা লৈবা হোলকার ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এলিট গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা সৌরাষ্ট্রনা টোস ঙমদুনা সর্ভিসেসকী মায়োক্তা বোলিং তৌখি। সর্ভিসেসনা মখোয়গী ইন্নিংসতা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৬৩ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জি রাহুল সিংহনা আউট ওইদনা বোল ৪০দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৭৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা সৌরাষ্ট্রনা রন ১৬৪গী টার্গেট অদু ওভর ২০গী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৬৬ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

মুম্বাইগী বন্দ্র কুরলা কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা এলিট গ্রুপ ঈগী মেটচতা হরিয়ানানা অন্ধ্র প্রদেশপু ৱিকেট ৬তা থোইখি। হরিয়ানানা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌবদা অন্ধ্র প্রদেশ রন ১০৭ খক লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা হরিয়ানানা ওভর ১৬কী মঙাশুবা বোলদা ৱিকেট ৪ খক তুরগা রন ১০৮ লৌবা ঙমখিবনি। টিম অদুগী ওপনর সি বিস্নোই আউট ওইদনা রন ৪২ লৌরগা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

## ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরন ক্বালিফায়িংগী ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ১১(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা পাঙথোকপা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা নুপাগী সিঙ্গলসকী ওইনা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা প্রজনিশ গুনেশ্বরন অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ক্বালিফায়র ১৬কী মফম লৈরি। ক্বালিফায়র অমা ওইনবগীদমক্তা শান্নরোয় অমনা রাউন্দ অহুম মায় পাকপা তঙাইফদে।

১২শুবা ক্বালিফায়রগী কাঙলুপ্তা প্রজনিশ গুনেশ্বরননা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা অহানবা রাউন্দ অদুদা কানাদাগী ব্রেদেন স্নুরগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট মহাক্না ৬-৪দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুনা কানাদাগী শান্নরোয় ব্রেদেননা ৬-৪দা থোইরগা দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিশনা ৬-২দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

প্রজনিশনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী লেষ্টেন অমদি গ্রেট বৃটেনগী লিয়াম ব্রোদি অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনগনি।

## টেজাস্বিনিনা নেসনল শুটিং ট্রায়লদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে


ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১১(এজেন্সী): ন্যু দেল্লিগী টুগলকবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা চত্থরিবা নেসনল শুটিং সেলেক্সন ট্রায়লদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী টেজাস্বিনি সাৱান্টনা নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩- পোজিসনদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা ক্বালিফিকেসন অমসুং ফাইনেলদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুগী ফাইনেল রাউন্দদা টেজাস্বিনিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শুটর অঞ্জুম মোদগিলবু শোট ৪৫গী ফাইনেল রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ৪৫৮.৭ ফংদুনা মোদগিলদগী পোইন্ট ০.৯দা হেল্লগা মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদসু টেজাস্বিনি সাৱান্টনা অঞ্জুম মোদগিলবু পোইন্ট ৪ হেল্লগা পোইন্ট ১১৭১ ফংলগা লাকখিবনি। মদুদা মোদগিলনা পোইন্ট ১১৬৭ ফংখিবনি। ইভেন্ট অদুগী অহুমশুবা পোজিসন অদুনা নিস্কালনা ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ৪৪৬.৫ ফংলগা অদুগা ক্বালিফিকেসনদনা মহাক্না পোইন্ট ১১৫৩ ফংলগা লাকখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

PUZZLE NO. 3



Bareev, Evgeny (2365) - Yakovich, Yuri (2480)
URS-ch U20 Tallinn, 1986

| | |
|---|---|
| 1.d4d5 | 2.c4dxc4 |
| 3.Nf3Nf6 | 4.Nc3a6 |
| 5.e4b5 | 6.e5Nd5 |
| 7.a4Nxc3 | 8.bxc3Qd5 |
| 9.g3Be6 | 10.Bg2Qb7 |
| 11.O-OBd5 | 12.e6Bxe6 |
| 13.Ng5Bd5 | 14.Bxd5Qxd5 |
| 15.axb5e6 | 16.Re1Nd7 |
| 17.Qh5g6 ... | |

**QUESTION :**
White wins in 3 moves
[Puzzle 2 Ans. : 30.Qxd4Qxd4 31.Rxd4Bxe3+ 32.Kf1Bxd4]


SMART TUTORIAL CENTRE
ADMISSION OPEN
Revision Course 2021 — Class X (BOSEM), Class XII (Science & Arts)
Foundation 2021 — Class X (BOSEM), Class XII (Science & Arts)
Commences on 10th & 20th January 2021
☞ Special fee concession for former student
☞ Regular mock test with analysis
☞ Well structured study material
☞ Separate hostel for boys & girls
For details please visit Smart Tutorial Centre
Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860
HL-P/8361/28/12-26/01

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN — CLASS 10 REVISION COURSE — Starts on 21st Jan, 2021
FOUNDATION COURSE — Class 6 to 10 — Limited seats with proper SOP
TOPPERS of 2020

1ST POSITION 2020

Reshmi Nandeibam
It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam
HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST — FIRST COME FIRST SERVE ( ONLY 250 STUDENTS )

| Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS — CONTACT : 7628946313 / 8732022342 — VAN AVAILABLE
HL-B/6686/9/1-8/2

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal — ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.) & CLASS -X(BOSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSE Result 2019 — 19th POSITION

Rakesh Ningthoujam, MECI Explorer Academy
FOUNDATION COURSE for CLASS -X(BOSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSLC Examination Result 2020 at a GLANCE
6th POSITION

Jessica Konthoujam, Little Flower School
12th POSITION

Rabindra Moirangthem, St. Joseph School
14th POSITION

Ningthoujam Reona Devi, Trinity Public School
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol — Contact : 9862712287
HL-P/6601/11/1-25/1